## সিফাইনা 'মণিপুর' মূখ্থৎহনখিবা

### তৌগেনা তৌরকপনি, কৈদৌগে হায়বনো

মে ২০, ২০২৫গী অয়ুক্তা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী গ্বালতাবীগী মফম অমদা থোকখিবা থৌদোক্তু ইন্দিয়াগী মণিপুর খায়দোকখ্রগা অপূনবা ষ্টেট ২৮গী মনুংদা ২৭ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮ অমদি অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংগী মীয়াম্না মীপূম তিংনা খঙদবা, তাদববুদি য়াওরমখিবা য়াই হায়ববু পীক্লবা ষ্টেটসিগী চীং অমসুং তমগী কাচিন-কোইয়াদা লৈবশিং ফাওবা য়াওদনা খঙদ-উদবা লৈরমখিগদ্রা? থাজদে, তাদবা অমদি উদবশিং লৈরম্লরোই। খঙলবশিংনা খঙলমগদবশিংগী মনুংদা থৌদোক্তু মহার রেজিমেন্টকী ওফিসর অমসুং পর্সনেলশিংদুদা থৌওইনা ইনশিনবা, তৌ অমদি থৌদোক্তু থোকহল্লু হায়বগী অয়াবা য়াথং পীবা ওথোরিটি অমসুং অঙম্বশিং য়াওবদগী থোকখ্রিবনি হায়বসিসু খঙলমগনি। কায়দৈনোদা, 'মণিপুর' হায়বা মিংসিগী বনান ফাওবদি লায়রদনা খোন্থোক-খোল্লে চুম্না ফাওবা হায়বা থোক্তবা মপান্দগী লাকপা সিফাইশিংদুনা লম্বীদা লাকপা বসতা থাবা 'মণিপুর' খুমজিন্দ্রবা নৎত্রগা মূখ্থৎত্রবদি চৎপা য়ারোই হায়দুনা থৎতুনা খান্নগা অথিংবা পীরকপা ঙম্ফম থোকপ্রা? অঙম্বা ওথোরিটিশিংনা তাওথরকপা য়াথংদগী থবক ওইনা পাঙথোকখ্রিবনি। থৌদোক্তুদগী শা-লান শান্নরকপনি। বসতুসু পেসেঞ্জরশিং হঙ্গৎ-হন্দা হোন্নবা চৎখিবসু নত্তে। লন্নাই মীওই খরনা কোয়বা-লাংবদা নৎত্রগা পিক্নিককী চৎখিবসু নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম লোয়শঙনা মপূং ওইনা শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা ৫শুবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী পাউ লৌনবগীদমক পাউমীশিংনা তোংবা বসনি। বসতুনা লৈঙাক্কী 'মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট' কীনি। পাউমীশিংবু খোমজিন-তাশিন্দুনা বসতুদা তোংহনখ্রিবদুসু লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্স (দি আই পি আর) গী দিরেক্টরননি। থৌদোক্তু পাউমীশিংনা তোংবা অদুগুম্বা থৌরমদুগী পাউ লৌবা চৎপা বসতুদা থোকহল্লকপনি। শোয়বদগী থোকপা 'এক্সিদেন্ট' নত্তে। থৌওইনা থোকহল্লকপনি। থৌদোকসিগী মতাংদা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা গভর্ণর, মহাক্কী কাউন্সিলদা য়াওরিবা চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, কম্মিস্নর (হোম) নচিংবনা খঙদে, মখোয় য়াওদে অমসুং চেন্নদে হায়রকপা য়ারোই। চেনবসু য়ারোই। লৈঙাকসিগী মকোক-মরূ অমত্তা য়াওদনা মপান্দগী লাকপা সিফাই খরনা তৌনীং-তৌনীংবদা তৌফল্লো মণিপুরসিবো?

নত্তে, থৌদোক্তু থোকখ্রবা মতুংদা লূপ খরগী নুপী লুচিংবীশিংনা সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপকা উনরুবদা করি হায়রকএবা? কাংপোকপীদা এম এস টি হায়না থাবা বস মৈ থাখিবগী থৌদোক থোকখিবনিনা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগীদমক অদুগুম্বা থৌদোক্তু থোরক্তনবগীদমক মণিপুর হায়বা ৱাহৈ খুমজিনহনবনি অমসুং মূখ্থৎহনবনি। মহাক খক্তগী ওইবা ৱারেপ নত্তে। প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা লেপ্নরগা তৌখিবনি হায়বা ওইরমান্নে। ফজেনে, ৱাফমসিদি লাংশোৎপীনা পাউখুম ৱাৎতে হায়বদু ফাওবা নত্তে। তৌগদবা অমসুং তৌফম থোকপা মথৌদি মশকসু খঙদবা, তৌসু তৌদবা, তৌনবসু হোৎনদ্রগা মচিন চেন্থি থিরকপনি। নুমিৎ মঙানি খক চত্থবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেলদি থম্বু থমখ্রো। লৈবাকসিগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফাওবা মার্চ ৮, ২০২৫দগী মণিপুরদা লৈবা নেশনল হায়ৱেশিং য়াওনা লম্বী পূন্নমক্তা 'ফ্রী মুভমেন্ট' তৌহল্লু হায়রকখিবা নৎত্রা? অদুসু ঙমখিদে, ঙম্লবসু হোৎনহল্লকখিদে। মদুদগী মণিপুর হায়বা ৱাহৈসি ওইনা মূখ্থৎলগা চৎলু, মূখ্থৎত্রবদি চৎপা য়ারোই হায়রকপা নৎত্রা? লৈঙাক্না শিন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম, অদুসু গভর্ণরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইবা, মদুগীদমক পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা লৈঙাক্কী বসতা ষ্টেটসিগী মমিং থাবা য়ারোই হায়রকপনি। ৱাফমসি হায়রকপগী মহুত্তা পাউমীশিং ওইগেরা-ওইরোইরা, লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমগী ওফিশলশিং য়াওগেরা-য়াওরোইরা, ফেষ্টিবেলসিগী য়াওনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই পূন্নমক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা লৈঙাকসিনা চেকশিন্না ঙাক শেনগদবা নৎত্রা? অহোয়নদুম মখোয়না মীয়ামদা অকি-অখং করিমত্তা য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌ, ঐখোয় লৈরি হায়রক্কদবা নৎত্রা? অদুদি নত্তনা তৌফম থোকপা মথৌদি তৌদনা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসিদা ওনশিল্লক্লিবসিদি মনুংদা অরোনবা এজেন্দা অমা লানসি হৌরকপদগী লৈরক্লে হায়বদু মপান থোক্না খঙহল্লকপনি। লৈসু লৈরিবনি। লৈবদুনবু লানসি হৌজিক চহী ২ হেল্লক্লবা ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তনা পুমচাই চাইখৈ হিংজ্রোং-কাইজোংনদুনা থম্লক্লিবনি। হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না মরু ওইনা লান নংলক্লিবা মীয়াম্না য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা মখা তানা খোঙকাপ অমগী চাং ফাওবদা তুং হন্দোক্লগা থাজখিগদ্রা? মখোয়না থারক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরিবা মখোয়গী অচানবা মনাইশিংসিসু থাজখিগদ্রা? য়ুনিয়ন লৈঙাক কনানো হায়বসি মমাঙদগী খঙদুনা লাকপগী মথক্তা হন্দক লানসি হৌরকপদগী অমুক্কা হেন্না মশক মুন্না খঙলবা নৎত্রা? মখা তানা খঙখিগদবা ৱাৎলম্লরোই খল্লি। মসিদনি সিফাইশিংনা বসতা 'মণিপুর' হায়না থাবা ফাওবা মূখ্থৎহল্লক্লে, কৈদৌগে হায়বনো হায়বগী ৱাহংসি চোংথোরকপনি। মণিপুরদগী তোঙান তানীংবশিং খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবা মীয়াম্না হৌজিক করি তৌবা তাবগে? হোয়, লৈঙাক্কী ঈ-পাউশিং বোইকোট তৌদুনা ফোঙদবা, পাথোক্তবা হায়বদুনা পেন্দবা, য়ানীংদবগী হায়বনি। থবক ওইনা ফাওবা চঙশিনবনি। গভর্ণরদা লাল্লে হায়জৌ, সিক্যুরিটি এদভাইজর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি রিজাইন তৌ হায়বসিসু মখোয়গী থৌওংশিংবু খম থেংনা য়ানীংদবগী হায়বনি। হায়ফমসু থোক্লিবনি। অদুবু হায়রিবশিংসি পাঙথোরক্তুনা দিমান্দসি ফংগদ্রা হায়বনি। ফংবু ফংলগদি য়াম্না ফৈ। মতুংদা অমুক হন্না থোরকহন্দবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। অদুবু থৌওইনা অতম্ননা তৌরকপনিনা পীরিবা প্রেসর খরসিনা মখোয়-মখোয়গী মকোকশিংদুদা চেল্লিবা অচান-মীরাই নাইবগী অমসুং তৌগদবা থবক তৌদবগী ফৎত্রবা ৱাখলশিংদু শুদোক-চামথোকপা ঙমগনি থাজদে। মখোয়গী মচিন্দগী থোরক্তবসু 'তৌগদবা ঐখোয়না তৌরে, কৈদৌগে হায়বনো' হায়বসিমক হায়রক্লবনি হায়দুনা লৌরগদবনি। মীয়াম্না করি তৌগদগে খন্থহন্নীংই।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

### (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৪২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মাইকৈ নোংচুপ অৱাং পাংবা লম। থোংনাং মচেৎ অমা ময়াঙনা পানবা লম। হৈরাঙ লুনা থুমবা। তাওজিং হৈরাং মরাং কাইনা হোংনা ফংনফম। লৈতাং থরো মালবা। ক্বা। চীনকন হৈ। লোঙচুমবা ক্বা জুম জুম লাওনা পানফম। কাপুচোঙঙা লমলালবা। অশি নোংমলৱাই কৌবা লমদা। হুয়েল লালদা খৌশাবদি। থোংনাং রুকোল ক্বাকলবা মিংকৌবা। লাকচাথীনা লালঙমলে। লাংকোই শগোল কোইমা য়ামবা নিংথৌফাবীসু লোকলকয়ে। ●


## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ'

### (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯴꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯟꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯑꯋꯥꯡ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯃꯆꯦꯠ ꯑꯃꯥ ꯃꯌꯥꯉꯅꯥ ꯄꯥꯟꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯍꯩꯔꯥꯡ ꯂꯨꯅꯥ ꯊꯨꯝꯕꯥ॥ ꯇꯥꯎꯖꯤꯡ ꯍꯩꯔꯥꯡ ꯃꯔꯥꯡ ꯀꯥꯏꯅꯥ ꯍꯣꯡꯅꯥ ꯐꯪꯅꯐꯝ॥ ꯂꯩꯇꯥꯡ ꯊꯔꯣ ꯃꯥꯜꯕꯥ॥ ꯀ꯭ꯋꯥ॥ ꯆꯤꯅꯀꯟ ꯍꯩ॥ ꯂꯣꯡꯆꯨꯝꯕꯥ ꯀ꯭ꯋꯥ ꯖꯨꯝ ꯖꯨꯝ ꯂꯥꯎꯅꯥ ꯄꯥꯟꯐꯝ॥ ꯀꯥꯄꯨꯆꯣꯡꯉꯥ ꯂꯝꯂꯥꯜꯕꯥ॥ ꯑꯁꯤ ꯅꯣꯡꯃꯜꯋꯥꯏ ꯀꯧꯕꯥ ꯂꯝꯗꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ॥ ꯊꯣꯡꯅꯥꯡ ꯔꯨꯀꯣꯜ ꯀ꯭ꯋꯥꯀꯜꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ॥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ॥ ꯂꯥꯡꯀꯣꯏ ꯁꯒꯣꯜ ꯀꯣꯏꯃꯥ ꯌꯥꯝꯕꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧꯐꯥꯕꯤꯁꯨ ꯂꯣꯀꯜꯂꯀꯌꯦ॥ ●

## হিংবা অসি য়াম্না 'টেক্নিকেল' ওইরে



**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

মীনা হায়বা য়াম্না থাজগনবা, মীনা হায়বা ৱা য়াম্না লৌগনবা অদুগা মদুগীদমক অমুক কোন্না নীংঙমজদবা মখলগী লায়না মখল অমা লৈ। কোন্না নীংঙমদবা ফাওজবফাও ঙমদ্রবা মীসু অসুম্মক লৈ। ঐসু অমরা হায়না হেক হেক খন্দবা ঙম্লক্তে, য়াম্না তোয়না খল্লবা ৱাখলনি। পঙবা হায়বসি ঐঙোন্দসু কনাগুম্বনা হায়রক্লবদি ঐ নাতোন চফূমুক চাউনি, পীশুম শূক্তোক্কনি। অদুনা পঙবা হায়বসি পনবদা য়াম্না ফরক তাবা ৱাহৈ অমনি। মালেমগী ওইনা অপঙবগী ৱারী য়াম্না লৈ। তাসু য়াম্না তানরে। লমদমসিগী নিঙোল মৱা অপঙবগী ৱারী লৈ, তানরে। লৈবাক লৈবাক্কী অপঙবা মীগী ৱারী তাবদা ঐখোয়না থৱায় তানা তানা নোকই। মীনা লাকচবা য়াদবী ইনেম, ইতৈমা, ইচন, ইচানুপী অশিংবী পান্মী, থোইনা পঙদবা নুপী ঐদি পান্মী। মবুকচেল শেপ্পা পোলিটিকেল পার্টিনা লাকচবা য়াদবা নুপী পান্মী। পূকচেল খোয়বা মীনা লাকচবা য়াদবী পঙচম চমদবী লৈমদুম পান্মী। ইচম চম্বগদি পান্লক্তে।

নুপীদা নত্তে নুপাসু অসুম্মাইনা লাকচবা য়াদ-য়াদ্রবা তম্বা নুপাশিং ওইহঞ্জনীংবা লৈজরে। য়াম্না শিংবখৈতবু ইম্মাকনুপা ওইনীংই, ইবাই ওইনীংই, ইতোন ওইনীংই, ইপল ওইনীংই, ইশেল ওইজনীংই। ঐগী ইয়াম্বসু, ইনাওসু, তাদসু, মরুপ-মপাংসু অশিংবা লোইনা ওইহন্নীংই। অশিংবা মরক্তা সুম লৈরদি ঐসি ইহোৎ হোৎনদনা অশিংবা মীওই অমদি নোংমা ওইরকপা ময়াইনা। মখোয় ময়ামদু থেংনরুবদগী ঐসু মীৎ-মায় খরা পাঙবা ঙমজহৌনি। পঙবসি নুংঙাইবা ওইরমদ্রে য়াম্না ৱারম্মে। য়াদা মৈ হৌবা মী (নুপা-নুপী) ময়াম্না কোয়শিন্দুনা লৈরবদি ঐবু মীনা কারল তৌবা কনাগী মতিক্লো, লাকচবা য়ারোই হেক হেক খল্লকই। লাকচমনবসিদা খল্লক্লবগী ৱানি।

লমদম লম্লেনসিদা শিংবা নংহৌফাৎত্রিঙৈ নুপীমচা অয়াম্বা ময়ূম ঙন্না-ঙন্না পান্নে। ঐদি তকশি শোল্লিবনি, মখোয়নদি হরাওজরিবা, ঐদি কপ্লিবনি। মোবাইল মতম অসিদা মতম খরা লেপ্লুরবা ঙন্না য়ূম পানবা অসি অমুক খরা হেনগৎলক্লব্রা খল্লি। ঙাইহাক লৈরে সাইত্রম (সাইদ দ্রম) মখোল, ঙাইহাক লৈরে সাইত্রম (সাইদ দ্রম) মখোল পঙলবা থম্মোয়না নীংঙমজদবগী তেংথানি। মখোয়দু লাইরিক তম্বা নংহৌদে, লাইরিক্তা য়াওরিবা লৌশিং অসি লন্নাই তমদবীদা তানবনা ফংবা ঙমদৌ মান্দে। হৌজিক্কী মতমদা হিংবা অসি য়াম্না 'টেক্নিকেল' ওইরে। চাক চারে, চাক থোংলে, ফি শূরে, টিভি য়েংলে, গাড়ী থৌরে, ৱা ঙাঙলে, ফম্লে, লেপ্লে, চৎলে লোইনা টেক্নিকেল ওইরে। বেঙ্ক, স্কুল, ফোন, দুকান, লম্বী, থাউ হানফম, টৌইলেট চঙফম, হোস্পিটাল, এয়রপোর্ট লোইনা স্মার্ট ওইরে হায়রিসিনি। রেষ্টুরেন্টতা চাক চারগা খূৎ হান্বা হৈতদনা লোন্না রুমালদা তৈশিল্লগা থোরকপগী ফীভম্নি। ফ্লাইট মনুংদা সিট বেল্ট লৌথোকপা হৈতদুনা মনাক্তা ফম্বা মীদসু হংবা ইকাইগুম্না তৌ মমায় ঙাংশিল্লগা লৈবদুগী কান্নবা লৈত্রে।

হৌজিক্তি লাইরিক তম্বদা শেল য়াম্না চঙমনবনা তম্বা ঙম্নরক্তবগী ফীভম লাক্লে। চঙদনবা করি করা ময়াম লৈঙাক্লা হোৎনবগী মমি তারি। তমদ্রবা ময়াম অমসু লৈ, তম্লবদি খরতা ওইরবসু লৌশিং ফংই। তমদ্রবদি লৌশিং ফংলরোই হায়বগী ৱা নৎচদে। খেন্নবা ময়াম অমা লৈ। বেটি বচাও, বেটি পড়াও নুপীমচা কনসে (নুপীমচা লাইরিক হৈহনসে), প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা যোজনা, সুকণ্য সমৃদ্ধি যোজনা, ৱান ষ্টোপ সেন্টর স্কিম, মহিলা এ-হাট, ৱার্কিং ৱুমেন হোষ্টেল স্কিম, উজ্বালা যোজনা, নারি শক্তি পুরস্কার, ষ্টেপ স্কিম, মুদ্রা যোজনা মরাং কায়। নুপীশিং মশা ফহনবা, লাইরিক হৈহনবা, কান্নবা পীবা স্কিম অমদি যোজনা মরাং কায়বা লৈবাক্লি। পাউনিলখোলদা ওইরগা তোকপসু কয়ানি। লৈঙাক্নদি হায়জরি ঐখোয়না য়াম্না পীরি, নখোয়না লৌবা হৈতবদগী কান্নবা ফংদবনি হায়রি। **বেতে বচাও, বেতে পড়াও** হায়দদনা **বেতি বচাও, বেতি পড়াও** হায়রিসি করিনোমা লৈরবা নৎত্রা?

নুপীদগী খদ্রক তৌরগা লৌথোকপীনবা মী শঙ্গু শঙ্গু থোরকই। খরা হায়রগা খরা থেন্নগা লোইনা লৌথোকপা য়ানি হায়দুনা খন্নখ্রে। খুঙ্গং অমদি সহরগী নুপীদা শান্নবিরি। শেলদি ইথোক থোক্লোইদৌবা থবক কয়াসু শূহল্লি। মতম মাঙহল্লি, সুম এনগেজ তৌহল্লগা লৈবা মানশিল্লকই। কোন্না লৌশিং তারক্লবা মতমদা কপচৈ ও খোংখৈ। লৌনম লাংদা লোইনা থুদবা লৈনদে নুপীশিং ফোনদি লোইনা পায়নরে। নমথাক তৌবিবদি হেনগৎলকই।

নুপীনা ৱারিবা অসি করিদগীনো মশাদা খঙহনবীদে। ইমুং-মনুং খঙনরগা মাগী নুপাদা খরা তাইননা, মাগী নুপীদা খরা তাইননা লাউনরগা লৈখা তানা হিংনরি। নুপীনা খল্লি মখোয়গী ইমুং ৱারিবা, নংলিবা অসি মাগী নুপানা ওক্তবননি, শূনীংদবননি। মাগী নুপানসু মাগী নুপীদা অদুম হায়না অসুম খল্লি। করম্না কমদৌনা ইমুংগী শেল থুমগী ফীভম শোক্লিবনো মবানীমক্না খঙমিন্নদে। পূন্নমকসিবু নুংঙাইনবা শীনবা ঙম্লবা শক্তি শীন্নরবা লৈঙাক্তা নুপীনসু নুপানসু তাইনগে হায়না খঞ্জিল্লুবা লৈতে। লৈঙাক মানসু পোরম পোয়াৎ অমত্তা শীনবীবা লৈতে। লৈঙাক্না হায়রক্কনি মীয়ামগী মতেং য়াওদনা ঙমদে। চুমজাৎলা? লৈঙাক্না লাউথোক্লিবা যোজনা অমদি থৌরাংশিং অসি তশেংনা থবক ওইনা পাঙথোরক্লদি খূবাক য়াম্না খুননি। নুপী লোইনমক শিংহনবা ঙম্লবদি নুপাসু শিংনরক্কনি। নুপা শিংনবা নুপী হান্না শিংদবা য়াদে। নমথাক চঙদ্রবা অশিংবা অমা ওইনবা নুপাসু নুপীসু লাকনমিন্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতমদা ঐগুম্বা অপঙবনা তাইবঙপালসিদা হিংবা ঙম্নবা ফিট ওইদ্রে খল্লি। ●

## হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ গীঙ্কো # ৪৯১

– প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার –

চীফ সাইন্টিষ্ট

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঙসিগী মালেম অসিদা হৌরিবা পাম্বীশিংগী মনুংদা থোইদোক হেন্দোক্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা পাম্বীশিংগী মরক্তগী গীঙ্কো হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসি ঙসিদগী চহী মিলিয়ন কয়াগী মমাঙদগী হৌদুনা লাক্লে হায়না লৌনবদগী পাম্বী অসিবু লিভিং ফোশিল (Living fossile) হায়না খঙনৈ। গীঙ্কো পাম্বী অসি (Ginkgo নৎত্রগা Gingko হায়না ইনবা) অসি ইংলিসকী অতোপ্পা মমিংদা মেদনহেয়র ত্রী (Maidenhair tree), জপানিজদা ইচৌ (Ichou) নৎত্রগা গীনান (Ginan), চাইনিজদা বাই গৌ (Bai guo) নৎত্রগা য়িন শীং (Yen xing) নৎত্রগা য়িঙ্গৌ (Yingou), কোরিয়ান্দা য়ুনহেং-নামু (Yunhaeng-namu), হিন্দিদা জীঙ্কো বাইলোবা (Jingko biloba), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা গীঙ্কো বাইলোবা (Ginkgo biloba L.) নৎত্রগা গীঙ্কো মেক্রোফাইলা (Ginkgo macrophylla K. Koch.) নৎত্রগা টেরোফাইলম সেলিসব্যুরিয়েন্সিস (Pterephyllum Salisburiensis J. Nelson) নৎত্রগা সেলিসব্যুরিয়া গীঙ্কো (Salisburia ginkgo Rich) হায়না কৌই অমসুং গীঙ্কোয়েসী (Ginkgoaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। পাম্বী অসিগী বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অসি ইহান হানবা ওইনা কার্ল লিনিয়স (Carl Linnaeus) না কুমজা ১৭৭১দা ফোঙখি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি মচী অনী লোংবা সিলভর মচু ওইবা হায়বনি। মরমদি পাম্বী অসিগী মনা অদু সিলভর মচু চঙলপ তৌনা ঙাগী মমৈগী মওংদা অনী লোংবা অদুনি। অদুবু পাম্বী অসি ইহান হানবা ওইনা য়ুরোপকী বোটানিষ্ট ইঙেলবর্ট কেম্পফর (Engelbert Kaempfer) না কুমজা ১৬০০কী অথেংবা শরুক্তা থেংনখি।

গীঙ্কো অসি জিমনোসপর্ম (Gymnosperm) হায়বদি নেকেদ সিদেদ (Naked seeded) হায়বদি পাম্বী অদুগী মরূ অদু মহৈগী মনুংদা য়াওদনা মথন্তা ফোঙদোক্লগা পাল্লি। পাম্বী অসি চহী অমগী মনুংদা মনা অদু মতম খরগী ওইনা কেনগল্লি। পাম্বী অসি ফুট ১১৫ ফাওবা ৱাংবগী পাউদম লৈ। পাম্বী অসি ঙসিদগী চহী মিলিয়ন ১৭০ রোমদগী হৌদুনা লাক্লগা ঙসি ফাওবদা মালেম অসিদা হৌই হায়না লৌনরি। গীঙ্কো পাম্বী অমনা চহী ২৫০০ ফাওবা হৌবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ।

Van Beek (2009) অমসুং Liu (2022) না পীখিবা পাউদমশিংগী মতুংইন্না গীঙ্কোগী মনাদা য়াওবা ফাইটো-কেমিকেলশিংদি ফিনোলিক এসিদ, প্রোএন্থোস্যানিদিন (Proanthocyanidin) ফ্লেভোনোইদ গ্লাইকোসাইদ মরু ওইনা মাইরিসেতিন (Myricetin), কেম্ফেরোল (Kaempferol), বিলোবেলিদ (Bilobalides) অসিনচিংবনি।

গীঙ্কো পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক-হেন্দোক্না য়াওই অমসুং মীওইবনা পাম্বী অসি কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ইব্রাহিম অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০২১দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না য়াম্না লিরবা চাইনাগী অনা-লায়েংদা গীঙ্কো পাম্বী অসি হরা-কংখু তৌবগী লায়েংদা শীজিন্নবগী মথক্তা মীওইবগী ৱাখল-লৌশিং হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়না শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মরূ অদু শায়দুনা চাবদা মীওইবগী পাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। মসিনা নুপা-নুপী অনীমক্কী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। গীঙ্কো অসি নুমিদাং ফমুংদা য়ুং য়াম্না তোয়না হানজিনগনবা গোনোরিয়া হায়না খঙনবা নিসেরিয়া গোনোৱা (Neisseria gonorrhoeae) হায়রিবা বেক্টেরিয়া মহীক অদুনা নাহনবা ফিনুংগী লায়না অদু লায়েংবদসু মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। থিবোং-থিরিলগী লায়নাগী হীদাক-লাংথকশিং শাবদসু গীঙ্কো পাম্বী অসি শীজিন্নৈ। মীওইবনা মরু ওইনা অহল ওইশিল্লক্লগা তোয়না কাউজন থিবা হায়বদি অলজাইমর (Alzheimer) অসি গীঙ্কো পাম্বীদগী লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। মসি বিজ্ঞানগী চাংয়েং চত্থবদসু চুল্লে হায়না খঙখ্রে। এঞ্জাইটি Anxiety) হায়বদি পূক্লিং-ৱাখল ৱাবা অমদি থুনা থক্কৎপা অসিদসু গীঙ্কোগী মহী অদু পীথকপদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়দুনসু শীজিন্নৈ। গ্লাউকোমা (Glaucoma) হায়না খঙনবা মীৎ উদবগী লায়না অদু গীঙ্কো পাম্বীনা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসি থিজিন-হুমজিনবদগী খঙবা ঙমখরে। শীজিন্নবগী মওংদি পাম্বীগী মকুপ অদু নোংমদা মিলিগ্রাম ১২০গী চাংদাদা হাপ্তা ৮দগী তাদনা পীজবীগনি হায়বসিনি। Akaberi অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০২৩দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না গীঙ্কো পাম্বীগী মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা ঈগী লায়নাশিং ফহনবগী মথক্তা মীওইবগী থম্মোয় (হার্ট) অদুসু মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্মী হায়বসিনি। ইরানদদি গীঙ্কো পাম্বীগী মহী অদু নাকোংদা হাপ্তুনা টিনিটস (Tinnitus) হায়বদি নাকোং ঙংবা অমদি নাকোং লাইখুন তৌবা অদু লায়েংনৈ। Park (2016) অমসুং Zhao (2013) না পীখিবা পাউদমশিংগী মতুংইন্না গীঙ্কো পাম্বীদা নুপীগী খোমগী কেন্সর অসি ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই।

জপানগী কোনুং টোকিওগী ওফিশল ত্রী অসি গীঙ্কো পাম্বীনা ওই। জপানগী য়ুনিভর্সিটি (মালেম মহৈকোল) কয়ামরুমগী লোগোদা গীঙ্কো পাম্বীগী মনা অসি য়াওই। খা-কোরিয়াগী কোনুং সিওল (Seoul) গী ওফিশল ত্রী অসি কুমজা ১৯৭১দগী গীঙ্কো পাম্বীনা ওইরক্লি। গীঙ্কো পাম্বীগী মনা অদু চা ওইনা থক্লে অদুগা উ অদুনা মখল কয়াগী উগী পোথোকশিং শানৈ। পাম্বী অসি সড়ককী মপান্দা এভেন্যু ত্রী ওইনা পাম্না থানৈ। ●

## লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মওংদা অহোংবা অমা পুরক্লিবা ইলেক্ট্রিক কারশিংগী খঙজিনবদা কান্নগদবা ...

- নোঙথাঙ লৈমা -

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

য়ু কেগী য়ুনিভর্সিটি ওফ পোর্টসমাউথতা থিজিল্লোইশিংনা পাঙথোকপা ষ্টদি অমদা, মালেম অসিদা লৈরিবা য়াম্না কুপ্পা মাইক্রো প্লাষ্টিকশিংগী চাদা ২৮দি টায়র তুমশিল্লকপদগী থোক্লকপনি হায়বসি থেংনরে। অদুবু আই সী ঈ ভি অমসুং ঈ ভি অনীমক্কী টায়রশিংনা লম্বীগা তক্নবদগী নুংশিত্তা অকুপ্পা পোৎয়ান য়াওহন্দুনা শেংহন্দে (পার্টিক্যুলেট পোল্ল্যুশন) অমসুং থৌবগী মওং অমদি লম্বীগী ক্বালিটি হায়রিবশিং অসিনা হেন্না নুংশিৎ মোৎশিনহনবদা অচৌবা শক্লোন লৌই হায়না জর্মনিগী টায়র শাবা কন্টিনেন্টেল হায়রিবা কম্পনি অসিনা **দি গার্দিয়ান**দা ফোঙদোক্লক্লি।

অরোইবদা, করিগুম্বা পৱার প্লান্টশিং অমসুং কার শাবা প্লান্টশিংনা রিন্যুএবল ইনর্জিগী সোর্সশিং অসি শীজিন্নবগী চাং হেনগৎপা তারবদি ঈ ভি শাবগা মরী লৈনবা মৈখুনচিংবা থাদোকপগী চাং অসি হন্থহনবা ঙমগনি। অদুবু আই সী ঈ ভিশিংগী ওইনদি মতম পূন্নমক্তা সী ও ২ অসি কামথোকপা লেপ্লোই।

**ঈ ভিগী খুদোংচাদবশিং লৈবরা?**

ঙসি ফাওবগী ওইনদি ঈ ভিশিং অসি পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা গ্যাসনা থৌবা অয়াম্বা ভেহিকলশিংদগী হেন্না শেল চঙলি। ঈ ভিনা য়ৌবা ঙম্বা অরাপ্পগী চাং, চার্জ তৌবদা চঙবা মতম অমসুং য়াম্না থুনা চার্জ তৌবা য়াগদবা চার্জর তাঙনা ফংবা হায়রিবশিং অসিসু মসিগী খুদোংচাদবশিং হায়বদু ওইবা য়াই।

গ্যাসনা থৌবা কার খরনা থাউ অসি টেঙ্কি থন্না য়াওরবদি মাইল ৩০০দগী ৪০০ (চাউরাক্না কিলোমিটর ৪৮০দগী ৬৪০) ফাওবা চৎপা ঙম্মী। হায়রিবা কারশিং অসিনা থাউ য়াওরক্ত্রবা মতমদা থাউ হানফম অমদা হানবদা শুপ্পগী মিনট ৫ খক্তমক চঙই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা চার্জ মপূং ফানা তৌরবা ঈ ভিশিংনা মাইল ১০০দগী ৩১০ (কিলোমিটর ১৬০দগী ৫০০) ফাওবা চৎপা ঙম্মী অমসুং চার্জ তৌফম অমদা নীংথিনা রিচার্জ তৌবদা মিনট ৩০দগী ৯০ রোম চঙবা য়াই। চাইনাগী ওটো শাবা কম্পনি বি ৱাই দি হায়বা অসিনা ঈ ভিশিংবু থাউ টেঙ্কি অমা হানবগা চপ মান্ননা শুপ্পগী মিনট ৬ খক্তংগী মনুংদা য়াম্না থুনা রিচার্জ তৌবা ঙমগদবা অনৌবা টেক্নোলোজি অমা পুথোক্লে হায়না ক্লেইম তৌরি। অদুম ওইনমক, অসিগুম্বা টেক্নোলোজিশিং অসি পুথোকপা হৌরকপতা ঙায়রিবা মরম্না পাক-শন্না শীজিন্নবা তৌদ্রি। ৱাফম অসি ওইবা তারবসু চার্জ অমুক্তং তৌরগা মাইল ৩০০ হেন্না চেনবা ঙম্বা ইলেক্ট্রিক কারশিং পাক-শন্না য়োন্নরে। মসিগীসু মথক্তা য়ু এসতদি ঈ ভিগী চার্জিং ষ্টেশন অসি ১৯২,০০০ হেন্না লৈরে। অদুবু ষ্টেট খরদদি মরাং কায়দ্রি।

**হেভী ভেহিকলশিংসু ইলেক্ট্রিকনা চেলহনবা য়াব্রা?**

ত্রক অমসুং বসনচিংবা ইলেক্ট্রিককী হেভী ভেহিকলশিং লম্বীদা চেন্নরে। চাইনাদা লৈরিবা বস অমসুং ত্রোল্লিবসশিংগী মনুংদগী চাদা ৭০ রোম ইলেক্ট্রিকনা চেলহন্দুনা লৈবাক অসিগী অয়াম্বা মফমদা ইলেক্ট্রিক বস লৈরে হায়বা য়ারে। য়ু এসতা হৌজিক ইলেক্ট্রিককী স্কুল বস ৫,০০০ হেন্না লৈবগা লোয়ননা রেজিষ্টর তৌরবা বসশিংগী চাদা ১১দি মৈখু থোক্তবা ঙাক্তনি।

কুমজা ২০২৪দা ভোলোভো হায়রিবা ভেহিকল শাবা য়ু এসকী কম্পনি অসিনা মাইল ৩৭০ (কিলোমিটর ৬০০) লাপ্পা চেনবা ঙম্বা ইলেক্ট্রিক ঙাক্তগী সেমিত্রেইলর অমা পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি অমসুং মসি চৎলিবা কুমজা ২০২৫গী লোইরমদাইদা কৈথেলদা থাদোক্লবা মতম লেপখ্রে। টেশলাগী মায়কৈদগীসু কুমজা ২০১৭তা মাইল ৫০০ (কিলোমিটর ৮০০) চেনগদবা ইলেক্ট্রিক সেমিত্রেইলর ত্রক পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে অমসুং ভেহিকল অসি কুমজা ২০২৬তগী মশীং য়াম্না পুথোকপা হৌরগনি হায়রি।

**ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিংনা কয়াম লাপ্পা চেনবা ঙম্মী ?**

হৌজিক আমেরিকাগী কৈথেলদা ফংলিবা খ্বাইদগী শাংনা চেনবা ঙম্বা ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিংগী মনুংদা চার্জ অমুক তৌবনা মাইল ৫১২ (কিলোমিটর ৮২৪) লাপ্পা চেনবা ল্যুসিদ এয়র গ্রান্দ টুরিং অমসুং চার্জ অমনা মাইল ৫১০ (কিলোমিটর ৮২২) শাংনা চেনবা মার্সেদেশ-বেঞ্জ ঈ ক্যু এম অনী অসি মমিং পনবা য়াই। লৈবাক অসিদা ফংবা খ্বাইদগী মমল হোঙবা ঈ ভি অসিনা চার্জ অমুক্তা মাইল ১৪৯দগী ২১২ ফাওবা চেনবা নিশান লিফ হায়বা অসিনি। বেট্টরিগী টেক্নোলোজি অসি অনৌবা মওংদা হোংলকপা অমসুং লিক্যুইদ ইলেক্ট্রোলাইট সোল্যুশন অমা শীজিন্নদবা, সোলিদ-ষ্টেট ঈ ভি বেট্টরিশিংনা অয়াম্বা মহুৎ শিল্লকপদগী হায়রিবা লাপ্পা চেনবগী চাং অসি হেনগৎলকপা য়ারি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।